৬৫শুবা নেসনল স্কুল গেমস ফুটবোল য়ু-১৪ বোইজ

# মণিপুরনা ঝরখণ্ডবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসনা শীন্দুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক টর্ফ গ্রাউন্দ, ম্যেন ষ্টেদিয়ম অমদি খুমন প্রেক্টিশ গ্রাউন্দদা চথরিবা ৬৫শুবা নেসনল স্কুল গেমস ফুটবোল অন্দর-১৪ য়ুথ বোইজ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা মণিপুরনা ঝরখণ্ডবু পাঞ্জল ৫-৪দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা টিম ৩২না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৬৫শুবা নেসনল স্কুল গেমস ফুটবোল অন্দর-১৪ য়ুথ বোইজ ২০১৯গী ঙসি মণিপুর অমদি ঝরখণ্ডুনা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদু হেক হৌরকপগা টিম অনীনা অকনবা মওংদা এটেক চথনদুনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। অদুবু টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা টিম অনীনা অহানবা হাফতা শান্নরম্বা অদুদগী তোঙান তোঙানবা টেক্নিক কয়া শীজিন্নদুনা লম্বা তৌনরকখি। অদুবু মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদনা লৈনখিবনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন খন্নবা পেনালটি কাওনখি।

টিম অনীগী শান্নরোয় ৫/৫না কাওনখিবা পেনালটি অদুদা মণিপুরনা ঝরখণ্ডবু পাঞ্জল ৫-৪দা মায়থীবা পীখি। মণিপুরগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু বিজান্দো জর্সি নম্বর ২১, অন্নারোয় জর্সি নম্বর ১০, সনাথোই জর্সি নম্বর ৩, জেমসন জর্সি নম্বর ১২ অমদি ওলেন জর্সি নম্বর ৯না চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা ঝরখণ্ডুগী পাঞ্জলশিং অদুনা ভিকাশ জর্সি নম্বর ৬, জিটেন্দর জর্সি নম্বর ১১, সুনিল জর্সি নম্বর ৫ অমদি সন্দিপ জর্সি নম্বর ৩না চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা মণিপুর অমসুং উত্তর প্রদেশ লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা মণিপুরনা উত্তর প্রদেশপু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখি।

মণিপুরগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু এন নিলান্দো জর্সি নম্বর ৭না পাঞ্জল ২, জেমসন জর্সি নম্বর ১২ অমদি এস অন্নারোয় জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল অমমম চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা উত্তর প্রদেশকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা টাওসৈ জর্সি নম্বর ৫না চনখি।

অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং ঝরখণ্ড লম্বা তৌনখি। মেচ অসি ঝরখণ্ডুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা পোজিসন তাখি। ঝরখণ্ডগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু দীপ লুমার জর্সি নম্বর ১৩, অভিনাশ মুন্দা জর্সি নম্বর ৯ অমদি ভিকাশ কাচপ জর্সি নম্বর ৮না চনখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা উত্তর প্রদেশ অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গল লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা উত্তর প্রদেশনা ৱেষ্ট বেঙ্গলবু পাঞ্জল ৮-০দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা পোজিসন তাখি। উত্তর প্রদেশকী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু ফরুক জর্সি নম্বর ১৫, রামু জর্সি নম্বর ১২ অমদি টাওসিফ জর্সি নম্বর ৫না চনখিবনি।

৬৫শুবা নেসনল স্কুল গেমস ফুটবোল অন্দর-১৪ য়ুথ বোইজ ২০১৯গী চেম্পিয়ন মণিপুর, রন্নর্স-অপতা ঝরখণ্ড, অহুমশুবা পোজিসনদা উত্তর প্রদেশ অমদি মরিশুবা পোজিসন্না ৱেষ্ট বেঙ্গলনা তাখি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী জোইন্ট দিরেক্টর শ্রীমতি কে ঐচ প্রমোদা, য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী জোইন্ট দিরেক্টর এল জয়ন্তকুমার, স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি কনহিয়া গুরজারনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

৩৯শুবা ষ্টেট ওপন কেশ প্রাইজ টেনিস চেম্পিয়নশিপ

# চহী ১২ মখাগী নুপামচাগী সিঙ্গলসতা সঙ্করনা কর্নজিৎপু মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): মণিপুর টেনিস এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা লম্ফেলদা লৈবা ওফিসর ক্লবতা চথরিবা ৩৯শুবা ষ্টেট ওপন কেশ প্রাইজ টেনিস চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা চহী ১২ মখাগী নুপামচাগী সিঙ্গলসতা সঙ্করনা কর্নজিৎপু পোইন্ট ৬-২, ৬-২দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

৩৯শুবা ষ্টেট ওপন কেশ প্রাইজ টেনিস চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেন্স ওপনগী সিঙ্গলসকী সেমী ফাইনেল মেচতা ব্রোজেননা ইন্দ্রকুমারবু পোইন্ট ৬-০, ৬-০দা, বুশননা রিভাস্করবু পোইন্ট ৬-২, ৬-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে। হয়েং অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা ব্রোজেন অমসুং ভুশন ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা চহী ৪৫গী দবলসকী সেমী ফাইনেল মেচতা রাকেশ অমসুং ইবোতোনগী জরানা জয়ন্ত অমদি এলদ্রিনগী জুরাবু পোইন্ট ৬-৪, ৬-০দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা সেমী ফাইনেলদা তুলে অমদি কাংজাম্বগী জুরানা লক্ষ্মিকান্ত অমদি দিলিপকী জুরাবু পোইন্ট ৬-৩, ৬-২দা মায়থীবা পীখি। হয়েং অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা রাকেশ অমদি ইবোতোনগী জুরাগা তুলে অমদি কাংজাম্বগী জুরাগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা চহী ৫৫ দবলসকী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা ঐচ ইবোতোম্বী অমদি ৱাই ইবোতোম্বী অনীগী জুরানা সরত অমদি লৈশেমম্নাগী জুরাবু পোইন্ট ৬-৩, ৬-২দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি। অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা দিলিপ অমদি গোপিচৌগী জুরানা লক্ষ্মিকান্ত অমদি মাতুনগী জুরাবু পোইন্ট ৬-২, ৬-৭ (৫-৭), ১০-৬তা মায়থীবা পীখি। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা ঐচ ইবোতোম্বী অমদি ৱাই ইবোতোম্বী অনীগী জুরানা এন দিলিপ অমদি কে ঐচ গোপিচৌ অনীগী জুরাবু পোইন্ট ৬-২, ৬-১দা মায়থীবা পীরম্লগা ৱিন্নর ওইখি।

ঙসি শান্নখিবা মেন্স দবলসকী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা তুলে অমদি প্রেমজিৎকী জুরানা লীনিংগী অমদি ইন্দ্রকুমারগী জুরাবু পোইন্ট ৬-৪, ৬-৪দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা ভুশন অমদি বেকরগী জুরানা ব্রোজেন অমদি রিভাস্করগী জুরাবু পোইন্ট ৬-৩, ৬-৭ (১০-৮) দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি।

৫শুবা এ ইবোতোন মেমোরিএল য়ু-১৫ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# য়ু এফ এ বিষ্ণুপুর অমসুং য়ু কে সী সী এল ওইনাম দ্রো চৎখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী মিনি ষ্টেদিয়ম গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ৫শুবা এ ইবোতোন মেমোরিএল বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা য়ু এফ এ বিষ্ণুপুর অমসুং য়ু কে সী সী এল ওইনাম পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙম্মদনা দ্রো চৎখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদনা আর এ এফ এ থিনুঙ্গৈনা য়ুৱাই দি সী উরিপোকপু পাঞ্জল ৪-০দা লাকচনা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৭০না শরুক য়াদুনা গ্রুপ অনী থোক্না পাঙথোক্লিবা ৫শুবা এ ইবোতোন মেমোরিএল বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা য়ু এফ এ বিষ্ণুপুর অমসুং য়ু কে সী সী এল লম্বা তৌনখি।

মেচ অসি হেক হৌরকপগা টিম অনীনা পাঞ্জল চন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা টিম অনীনা পাঞ্জল চন্ননবা হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা মেচ অদু দ্রো চৎখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা য়ু ৱাই দি সী উরিপোক অমসুং আর এ এফ এ থিনুঙ্গৈ লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা আর এ এফ এনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নখিবনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা য়ুৱাই দি সী উরিপোকপু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখি।

আর এ এফ এগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু এস প্রসান্ত জর্সি নম্বর ৯, এ তোমজোসেফ জর্সি নম্বর ৪, ঐচ বিনোত জর্সি নম্বর ৬ অমদি এল লনচেনবা জর্সি নম্বর ১০না চনখি।

৫শুবা এ ইবোতোন মেমোরিএল বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মখা চথরকপা মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা কে ৱাই এস সী এন্দ এল খাজিরি অমসুং কে ৱাই য়ু দি ক্বাসিফাই লম্বা তৌনরগনি।

৩৫শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯

# মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি), চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব (এ) মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): মণিপুর হোর্সরাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন্না শীন্দুনা মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ৩৫শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি), চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব (এ) মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৩৪না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৩৫শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব অমসুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (সী) লম্বা তৌনখি। মেচকী অহানবা চক্রদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) না পাঞ্জল ৩ চনখি। মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (সী) না পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। অহানবা চক্রদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) পাঞ্জল ৩ হেন্দুনা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা চক্রদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈনখি। অহুমশুবা চক্রদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (সী) না য়াম্না কন্না হোৎনবদগী একাউন্ট হাংবা ঙমখি। চক্র অসিদা মখা তানা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) না পাঞ্জল ১গা চন্দুনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) না মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (সী) বু পাঞ্জল ৪-২দা মাঙজিল থাখি।

মেচকী মরিশুবা চক্রদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (সী) না শোথরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকপনা চক্র অসিদা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। চক্র অসিদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) না পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। চক্র অসি ফাওবদা টিম অনীগী পাঞ্জল ৪-৪দা লৈখিবনা মখা তাবা চক্র অমা হাপ্তুনা শান্নহনখি। চক্র অসিদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) না পাঞ্জল অমা চন্দুনা ৫-৪দা মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) গী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু ও সুরেশ জর্সি নম্বর ১, ঐচ অবুং খুমন জর্সি নম্বর ২, টি প্রদীপকুমার জর্সি নম্বর ৩ অমদি কে ঐচ নোংপোকঙানবা জর্সি নম্বর ৪না চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (সী) গী পাঞ্জলশিং অদুনা এম জাসোন জর্সি নম্বর ১, এস অবুংচা জর্সি নম্বর ২ অমদি টি ঐচ রঞ্জিৎ জর্সি নম্বর ৩না চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব (এ) অমসুং চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব (এ) লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব (এ) না ইম্ফাল রাইদিং পোলো ক্লব (বি) বু পাঞ্জল ৭-২দা মায়থীবা পীখি। চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব (এ) গী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু লৈশেম্বা তখেল্লম্বম জর্সি নম্বর ৩না পাঞ্জল ৪, এ বসন্ত জর্সি নম্বর ১না পাঞ্জল ৩ চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব (বি) গী পাঞ্জলশিং অদুনা এল রোহিট জর্সি নম্বর ৩ অমদি এস দোল্লর জর্সি নম্বর ৪না চনখিবনি।

ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ঐচ ৱাই দি সী সী এলনা কে ৱাই এল এস সীবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর০৮(ঐচএন এস): ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসন মপাল কাংজৈবুংগী মীৎয়েং মখাদা আই জি ও হৈক্রুজম ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ১৮শুবা জুনিয়র ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ঐচ ৱাই দি সী সী এলনা কে ৱাই এল এস সীবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১০না গ্রুপ ৪ থোক্না খায়দোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ১৮শুবা জুনিয়র ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা ঐচ ৱাই দি সী সী এল অমসুং আর সী সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু ঐচ ৱাই দি সী সী এলনা আর সী সীবু সেট ৩-১ (২৫-১৮, ২৫-১৭, ২০-২৫, ২৫-১০) দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা কে ৱাই এল এস সীনা এস দি আইবু সেট ৩-০ (২৫-১৬, ২৫-১১, ২৫-২২) দা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। অহুমশুবা গ্রাউন্দদা কে ৱাই এল এস সীনা আই জি ওবু সেট ৩-১ (২৫-২৩, ২২-২৫, ২৫-১৪, ২৫-১২) দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা হয়েং অয়ুক পুং ৮ তাবগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এন ৱাই ভি এ নাওরেম অমসুং আই জি ও ওইনাম, অনীশুবা গ্রাউন্দদা কে ৱাই এল এস সী কাচিখুল অমসুং এস দি সী শমুরৌ, অহুমশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং অমসুং কে এল ৱাই জি সী কাংমোং, মরিশুবা গ্রাউন্দদা ঐচ ৱাই দি সী সী এল হৈগ্রুজম অমসুং ৱাই পি এ হিরানমৈ লম্বা তৌনরগনি হায়রি।

৯শুবা কাংজম কর্ণজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন

# এস ৱাই পি এ সেকমাই অমসুং এস দি সী শমুরৌ দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা ৱাই দল্লিয়ু সী মালোম গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ৯শুবা কে কর্ণজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস ৱাই পি এ সেকমাই অমসুং এস দি সী শমুরৌ পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা ৯শুবা কে কর্ণজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি এস ৱাই পি এ সেকমাই অমসুং এস দি সী শমুরৌ শান্নখিবা মেচ অদু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে। এস ৱাই পি এ সেকমাইগী পাঞ্জল অদু এস মুকেশ জর্সি নম্বর ১৭না চনখি। অদুগা এস দি সী শমুরৌগী পাঞ্জল অদুনা এন রোনালদো জর্সি নম্বর ৮না চনখি।

## থাংমৈবন্দনা এল এ কে কে ওবু থোইখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): মণিপুর কাং এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা গোপালদেব কাংখূৎ য়াইস্কুলনা শীন্দুনা গোপালদেব কাংশঙদা চথরিবা ৫শুবা শ্রী গোপালদেব সুপর লীগ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা থাংমৈবন্দনা এল এ কে কে ওবু স্কোর ২১-১২দা মায়থীবা পীখ্রে।

## টেনিস শান্নরোয়শিং খনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): ছটিশগরগী পি টি রভিশঙ্কর শুক্লা য়ুনিভর্সিটিদা দিসেম্বর ১৮দগী ২১ ফাওবা চথগদবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টেনিস (মেল) টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টেনিস টিমদা রিপ্রজেন্ট তৌগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে। খল্লবা শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ১৪গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা মণিপুর য়ুনির্সিটিগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টসতা রিপোর্ট তৌনবা খঙহল্লক্লি।

## সার্টিফিকেট য়েন্থোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): প্রধান মন্ত্রি কৌসল বিকাস যোজনা স্কিমগী মখাদা য়ু-ফিটনেস সেন্টর শিংজমৈ কোংবা রোদনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ফিটনেস ত্রেনিংদা মায় পাক্লবা ত্রেনরশিংদা সার্টিফিকেট য়েন্থোকপগী থৌরম অমা থা অসিগী ১০গী অয়ুক পুং ৯দা ফিটনেস সেন্টরগী শঙলেন্দা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা ১৪-উচেকোন জিলা পরিষদ, য়ু ফিটনেস সেন্টরগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ কুলেশ্বর, আই এস টি ভিগী সেক্রেটরি কে ঐচ খোগেন, বিজয়া বেঙ্ককী মেনেজর রৌসানঙিয়ন, দি আই সী রিটয়ার্দ জেনরেল মেনেজর সেরাম থোইবা শরুক য়াগনি।




HL-P/5005/18-31/1-20 nov.



HL-B/5772/26-31oct./1-25nov.



HL-B/5749/17oct-16nov.


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com